ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯸꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জুন ২২, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৮৯শুবা মশীং

# মোংফম্না খোঙদাফম লৈরক্রে
## নুঙগী থম্মোয়দু লান খাম্বদা শীজিন্নরকউ

মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী হৌরকখিবা লানসি লেপত্রে। পূমলেপ লেপ্পদি লায়রদনা পাথরক্রে। অমুক-অমুক লান নেমখ্রবোই নীংলুরবসু খংহৌ-খংহৌ হৌরকপদা য়ূম-কৈশিং হেন্না মৈ চাক্লে। অপীকপা লানফমশিং অচৌবা ওল্লক্লে। মী হেন্না শিরে। মোংফম্না খোঙদাফম লৈরক্রে। মসি পূম্নমক করিদগীনো? কনানা থোকহনবনো? ফীভমসি ওইরক্লবা কনাগা কনাগা লৌতুনখিবগে? কুইশিল্লক্লবনিনা হৌজিক্তি ৰাহংসিগী পাউখুম তপ্না-তপ্না মথি ফোংলক্লে। মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদবনিনা ঈশিংগা শঙ্গোমগা তোঙান-তোঙান তারে। অনীমক্কী তোঙান-তোঙানবা মশকশিং ময়েক শেংনা খঙলক্লে। হৌজিক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওইরিবা অমিট শাহনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টকী ফম পুরিঙৈদা 'সু' তৌনরক্লিবা 'য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট' (য়ু কে এল এফ) কী চ্যেরমেননা ইরম্বা চেরোল অদুনদি হন্দক্কী লানসিদা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লুচিংবশিংগী থম্মোয়শিং থৌওইনা নূঙগুম্না কনখিবনি হায়বসু খঙলে। মখা শাংথরক্লিবা লান লেপহন্নবা, চাক্লিবা মৈসি মুত্থৎনবা মফি শেন্বা নংদবা মখৈ চোংথোরকখিদবনি, চেকশিল্লকখিদবনি হায়বসু ময়েক শেংলক্লে। কুইর-কুইরগা লুচিংবশিংগী অশেংবা মশক শঙ-শঙ উরক্লে।

মসিমক্না তোৰ্ব্বুংদগী চাকপা হৌরক্লগা লাম্মৈদৌনা পাক-শন্না শন্দারকখিবা মৈ নুমিৎ ২৭নি শুরকপদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ লাকখি। লান খাম্নবা পিছ কম্মিটি শেমগনি হায়রম্বদুনা মহাক্না জুন ১, ২০২৩দা হনখ্রবা মতুং নুমিৎ ১০নি শুরকপা জুন ১০, ২০২৩দা শেম্লকখি। মথংগী নুমিৎতা কম্মিটিগী মেম্বরশিং লাউথোরক্লবসু চাক্লিবা মৈ মূত্থৎনবা পন্থদনা মৈনাক্তা চঙশিন্নরকখিদে। খোঙজেল য়াঙশিনখিদে। তৌদবা য়াদবগী তৌবা, লাই ফত্তবগী চবান থাবদা চৎনদ্রবা শেলয়েক মচা অমা মথেল ওইনা হাপ্পদৌনা তৌখি। লান খামদুনা লেপহনবা ঙমদবনিনা মণিপুরগী পুকচাক লম্বী (লাইফ লাইন) ওইরিবা নেসনল হায়ৱে অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী (এন ঐচ-২) কোয়লাস মথক্তা নাপি হৌবগী ফীভমদা লৈরক্লি। পেন্দবা, নুংঙাইতবা, শাওনীংবা অমসুং ৱারৌবনা থুমহৎলবা মীয়ামগী থম্মোয়দা ওমদুনা লৈরকখিবা মৈ মৈরি থোক্লা চাক্লকপদগী জুন ১৩-১৪গী লোন্নবা অহিংদা খামেনলোককী লানফমদা মীচম কয়াগী পুন্সি লোমখি। কয়া অমনা অশোক অপন নংখি। অদুনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) দা লৈবা কুকি লালহৌলূপ (য়ু কে এল এফ) না অমিট শাহদা ইখিবনি হায়বা চেরোল অদুনা অচুম্বা ওইদুনা মদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদুনা য়াই থাবদৌনা থোকহন্দুনা নখোঙ ময়াদা মৈজাও চাক্তুনা অকোইবদা বোম-বোম তুদুনা শিরক্লবসু নূঙমুক কন্দুনা য়েংদুনা লৈরকখিবা থম্মোয়দো হৌজিক্তি চাক্লিবা মৈ মূত্থৎতুনা লান খাম্বদা ওইনা শীজিন্নরক্লো হায়বনি। শিবা য়াবা শিরসনু, য়ূম-কৈ অমসুং লন-থুম কয়া উৎকী মপৈ ওইনা তূল্লসনু হায়বগীদি খঙদ্রে। লানসিদি খামদ্রবদি য়ারোই, মূত্থৎপা অমা য়াওদ্রবদি য়ারোই। হেন্না-হেন্না শন্দোরক্তুনা পাক-চাওনা লাও-খোংদুনা চাক্লক্কনি হায়বনি। অথাপ্পা চীংদা চাক্লিবা লাম্মৈ নোংদোল লিক্লা তারক্লগা মথন্তা মূৎচখিনি হায়বদুদি ঈশৈনি। হৌজিক তারিবা খোঞ্জেলসিদি নোংমৈ, বোমগী মখোলনি। মীশি-মীনা কয়াগী মীকপ-মীরাওখোলনি কাউথোক্কনু।

# ꯃꯣꯡꯐꯝꯅꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥꯐꯝ ꯂꯩꯔꯛꯔꯦ
## ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯕꯗꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯀꯎ

ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯦꯞꯇ꯭ꯔꯦ꯫ ꯄꯨꯝꯂꯦꯞ ꯂꯦꯞꯄ꯭ꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯗꯅꯥ ꯄꯥꯊꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯑꯃꯨꯛ-ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯥꯟ ꯅꯦꯃꯈ꯭ꯔꯕꯣꯏ ꯅꯤꯡꯂꯨꯔꯕꯁꯨ ꯈꯪꯍꯧ-ꯈꯪꯍꯧ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯥ ꯌꯨꯝ-ꯀꯩꯁꯤꯡ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯃꯩ ꯆꯥꯛꯂꯦ꯫ ꯑꯄꯤꯀꯄꯥ ꯂꯥꯟꯐꯃꯁꯤꯡ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯑꯣꯜꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯁꯤꯔꯦ꯫ ꯃꯣꯡꯐꯝꯅꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥꯐꯝ ꯂꯩꯔꯛꯔꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯀꯔꯤꯗꯒꯤꯅꯣ? ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯊꯣꯀꯍꯟꯕꯅꯣ? ꯐꯤꯚꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯕꯥ ꯀꯅꯥꯒꯥ ꯀꯅꯥꯒꯥ ꯂꯧꯇꯨꯅꯈꯤꯕꯒꯦ? ꯀꯨꯏꯁꯤꯟꯂꯛꯂꯕꯅꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯔꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯇꯞꯅꯥ-ꯇꯞꯅꯥ ꯃꯊꯤ ꯐꯣꯡꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯩꯕꯨ ꯐꯤꯅꯥ ꯀꯨꯞꯇꯨꯅꯥ ꯊꯝꯕꯥ ꯌꯥꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯏꯁꯤꯡꯒꯥ ꯁꯉ꯭ꯒꯣꯝꯒꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯥꯔꯦ꯫ ꯑꯅꯤꯃꯛꯀꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯟꯕꯥ ꯃꯁꯛꯁꯤꯡ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯈꯉꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍꯅꯥ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤꯒꯤ ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯤꯗꯦꯟꯇꯀꯤ ꯐꯝ ꯄꯨꯔꯤꯡꯉꯩꯗꯥ 'ꯁꯨ' ꯇꯧꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ 'ꯌꯨꯅꯥꯏꯇꯦꯗ ꯀꯨꯀꯤ ꯂꯤꯕꯔꯦꯁꯟ ꯐ꯭ꯔꯟꯠ' (ꯌꯨ ꯀꯦ ꯑꯦꯜ ꯑꯦꯐ) ꯀꯤ ꯆꯦꯌꯔꯃꯦꯟꯅꯥ ꯏꯔꯝꯕꯥ ꯆꯦꯔꯣꯜ ꯑꯗꯨꯅꯗꯤ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯤꯡ ꯊꯧꯑꯣꯏꯅꯥ ꯅꯨꯡꯉꯨꯝꯅꯥ ꯀꯅꯈꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯨ ꯈꯉꯂꯦ꯫ ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟ ꯂꯦꯄꯍꯟꯅꯕꯥ, ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯩꯁꯤ ꯃꯨꯠꯊꯠꯅꯕꯥ ꯃꯐꯤ ꯁꯦꯟꯕꯥ ꯅꯪꯗꯕꯥ ꯃꯈꯩ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯀꯈꯤꯗꯕꯅꯤ, ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯂꯀꯈꯤꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯨ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯀꯨꯏꯔ-ꯀꯨꯏꯔꯒꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ ꯃꯁꯛ ꯁꯉ-ꯁꯉ ꯎꯔꯛꯂꯦ꯫

ꯃꯁꯤꯃꯛꯀꯥ ꯇꯣꯔꯕꯨꯡꯗꯒꯤ ꯆꯥꯛꯄꯥ ꯍꯧꯔꯛꯂꯒꯥ ꯂꯥꯝꯃꯩꯗꯣꯅꯥ ꯄꯥꯛ-ꯁꯟꯅꯥ ꯁꯟꯗꯥꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯃꯩ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯲꯷ꯅꯤ ꯁꯨꯔꯀꯄꯗꯥ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍ ꯂꯥꯀꯈꯤ꯫ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯅꯕꯥ ꯄꯤꯁ ꯀꯃꯤꯇꯤ ꯁꯦꯃꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯗꯨꯅꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯥ ꯖꯨꯟ ꯱, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯥ ꯍꯟꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯱꯰ꯅꯤ ꯁꯨꯔꯀꯄꯥ ꯖꯨꯟ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯥ ꯁꯦꯝꯂꯀꯈꯤ꯫ ꯃꯊꯪꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯥ ꯀꯃꯤꯇꯤꯒꯤ ꯃꯦꯝꯕꯔꯁꯤꯡ ꯂꯥꯎꯊꯣꯔꯛꯂꯕꯁꯨ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯩ ꯃꯨꯠꯊꯠꯅꯕꯥ ꯄꯟꯊꯗꯅꯥ ꯃꯩꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯉꯁꯤꯟꯅꯔꯀꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ ꯌꯥꯡꯁꯤꯟꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯇꯧꯗꯕꯥ ꯌꯥꯗꯕꯒꯤ ꯇꯧꯕꯥ, ꯂꯥꯏ ꯐꯠꯇꯕꯒꯤ ꯆꯕꯥꯟ ꯊꯥꯕꯗꯥ ꯆꯠꯅꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯁꯦꯂꯌꯦꯛ ꯃꯆꯥ ꯑꯃꯥ ꯃꯊꯦꯜ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯞꯄꯗꯣꯅꯥ ꯇꯧꯈꯤ꯫ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯗꯨꯅꯥ ꯂꯦꯄꯍꯟꯕꯥ ꯉꯝꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯄꯨꯛꯆꯥꯛ ꯂꯝꯕꯤ (ꯂꯥꯏꯐ ꯂꯥꯏꯟ) ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯍꯥꯏꯋꯦ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯏꯝꯐꯥꯜ-ꯗꯤꯃꯥꯄꯨꯔ ꯂꯝꯕꯤ (ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯆ-꯲) ꯀꯣꯌꯂꯥꯁ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯅꯥꯄꯤ ꯍꯧꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗꯥ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯄꯦꯟꯗꯕꯥ, ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕꯥ, ꯁꯥꯑꯣꯅꯤꯡꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯋꯥꯔꯣꯏꯕꯅꯥ ꯊꯨꯃꯍꯠꯂꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯑꯣꯃꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯃꯩ ꯃꯩꯔꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯆꯥꯛꯂꯀꯄꯗꯒꯤ ꯖꯨꯟ ꯱꯳-꯱꯴ꯒꯤ ꯂꯣꯟꯅꯕꯥ ꯑꯍꯤꯡꯗꯥ ꯈꯥꯃꯦꯅꯂꯣꯛꯀꯤ ꯂꯥꯟꯐꯝꯗꯥ ꯃꯤꯆꯝ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯂꯣꯝꯈꯤ꯫ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯁꯣꯛ ꯑꯄꯟ ꯅꯪꯈꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯁꯁ꯭ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ (ꯁꯨ) ꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯂꯥꯜꯍꯧꯂꯨꯞ (ꯌꯨ ꯀꯦ ꯑꯦꯜ ꯑꯦꯐ) ꯅꯥ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍꯗꯥ ꯏꯈꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯆꯦꯔꯣꯜ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯑꯣꯏꯗꯨꯅꯥ ꯃꯗꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯀꯈꯤꯕꯥ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯏ ꯊꯥꯕꯗꯣꯅꯥ ꯊꯣꯀꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯅꯈꯣꯡ ꯃꯌꯥꯗꯥ ꯃꯩꯖꯥꯎ ꯆꯥꯛꯇꯨꯅꯥ ꯑꯀꯣꯏꯕꯗꯥ ꯕꯣꯝ-ꯕꯣꯝ ꯇꯨꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯔꯛꯂꯕꯁꯨ ꯅꯨꯡꯉꯨꯝꯛ ꯀꯟꯗꯨꯅꯥ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯣ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯩ ꯃꯨꯠꯊꯠꯇꯨꯅꯥ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯕꯗꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯣ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯁꯤꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯁꯤꯔꯁꯅꯨ, ꯌꯨꯝ-ꯀꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯟ-ꯊꯨꯝ ꯀꯌꯥ ꯎꯠꯀꯤ ꯃꯄꯩ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯨꯂꯂꯁꯅꯨ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤꯗꯤ ꯈꯉꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗꯤ ꯈꯥꯝꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏ, ꯃꯨꯠꯊꯠꯄꯥ ꯑꯃꯥ ꯌꯥꯑꯣꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯍꯦꯟꯅꯥ-ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯄꯥꯛ-ꯆꯥꯎꯅꯥ ꯂꯥꯎ-ꯈꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯆꯥꯛꯂꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯊꯥꯞꯄꯥ ꯆꯤꯡꯗꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯝꯃꯩ ꯅꯣꯡꯗꯣꯜ ꯂꯤꯛꯂꯥ ꯇꯥꯔꯛꯂꯒꯥ ꯃꯊꯟꯇꯥ ꯃꯨꯠꯆꯈꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯤ ꯏꯁꯩꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯇꯥꯔꯤꯕꯥ ꯈꯣꯡꯖꯦꯜꯁꯤꯗꯤ ꯅꯣꯡꯃꯩ, ꯕꯣꯝꯒꯤ ꯃꯈꯣꯂꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅꯥ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯤꯀꯞ-ꯃꯤꯔꯥꯎꯈꯣꯂꯅꯤ ꯀꯥꯎꯊꯣꯛꯀꯅꯨ꯫

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১২৭
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাংদসু খরবুদি ময়ামদা পাউদমজখ্রে। লীলা য়াওবা আর্টিষ্টশিংদি ৱারে, নারে, তল্লে হায়দুনা লীলা তোকপা য়াদে। ময়াম্না নুংশিবীদুনা কৌবীরিবা লীলাদা অকায়বা পীবসি য়ারিমখৈ তৌদনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু অনৌবা য়াওরকপা আর্টিষ্টশিংদি মশা খজিক্তং ঙমদবদা, মশা ঙমদ্রে হায়দুনা পাউ থারক্লগা লীলা লাক্তবা কোকথোং অমা য়াওই। মদু ঐখোয়না খুদক্তা মী অতোপ্পা অমা মহুৎ শিল্লগা শান্নবনা কোঙ্গাইনি। অদু নৎত্রগনা মাগী পার্ট অদু ককথৎলগা নমদুনা লীলা শান্নখিবসু য়াম্না য়াওই। লীলা য়াওবা হায়বসি মশাদা কত্থোকপা অমা য়াওদ্রবদি মপূং ফাবা আর্টিষ্ট অমা ওইবা য়াদে। লীলা শান্নবা হায়না শান্নরিবা অনৌবা লীলা পুথোক্নরিবসি মীয়াম্না কৌবীনবা শান্নরিবনি। মীয়াম্না কৌবীদ্রবদি ফনা য়াম্না ফজবা লীলা ওইদুনসু করিসু কান্নদে। অরেম্বদা মাঙদুনা তোকপা কোকথোং অমা লৈ। মসি ঐখোয় মুন্না খঙই। লীলা য়াম্না ফজবা, অদুবু পার্টি অদু মীয়াম্না কয়া মুন্না শক খঙবীদবদগী লীলা কৌবীদদুনা চত্তবা ময়াম অমা য়াওনৈ। মদু ঐদি য়াম্না নুংঙাইখিদে। ঐখোয়গী লীলা কৌবা লাকপদা মখোয়গী লীলাদুসু য়াম্না ফজবনি, মখোয়গী লীলাদু ওইনা কৌবীয়ু হায়না হায়বদা লীলা কৌবা লাক্লিবশিংদুনা আর্টিষ্টশিংদু মশক অমত্তা খঙদে হায়দুনা য়াদবসু য়াওই। অদুগী পাউদু ঐখোয়গী লীলা পার্টিনা খঙবদা ঐবুসু শাওরিবনি। ঐনা খনখিবদি মতমদুদা অতোপ্পা লীলা পার্টি অদুসু খরা চৎহনবা পাম্বদগী মখোয়গী লীলাদুসু য়াম্না ফজবনি হায়রুবনি। অদুবু ইমুং মনুংগী মীশিংনদি ঐ ইশানা নার-য়েক্লগা লীলা চৎপদু নুংঙাইতবনিনা য়ারিমখৈ চৎতনবা ফনা কন্না হোৎনৈ। ঐ ইশা খঙহন্দনা পার্টি ওফিসতা চৎলগা লীলা হায়দোকপীনবা হায়নবগসু য়াওরম্মীবনি। অদুনা ঐ ইশাসি ফনা য়াম্না ঙমদ্রবসু ঙমদে হায়বসি য়ূমদা শুংহায় হায়দে। য়ারিমখৈ খঙহন্দে।

কুম অমা য়াম্না শাথীবা থৌদোক অমা থোকখি। মদু হৌজিকসু নীংশিংলুরগা ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদে। মদু ঐগী পুন্সিদা শুংকাউ কাউবা ঙল্লরোই। নোংমা ঐখোয়গী লীলা অমা নম্বোল কামোং হায়বা মফমদুদা চেরিটি শো অমা শান্নে। চেরিটি শো হায়বসিমক্তবু খরা অদুম থেংগল্লি। নুমিৎতুসু পংথেঙ থেঙবা নৎত্রবসু খিতংদি থেংই। নুমিৎতুদা শান্নখিবা লীলাদু ঐনা ইখিবা "হিংবগী মহাউ" হায়বা লীলাদুনি। লীলাদু ময়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা লীলানি। লীলাদু শান্নবা হৌরে, তঙ্খাই চল্লে। তঙ্খাই চল্লকপদুদা খুয়াথোংদগী ইমান্নবা অমা মাগী স্কুটরদু থৌরগা লাকখি। মহাক্না লাক্লিবদু অরুবা পাউ অমা হায়বা লাকপনি। ঐবু লোন্না কৌথোক্লগা পাউদু তম্মে। পাউদু অতৈ নত্তে, হৌজিকপুদি লৈখিদ্রবা ঐগী মরুপ ধনবির (ময়াম্না চারশোবিস শাবা হায়না খঙনবা) গী অপোকপা অদু লৈত্রে, হায়বগী পাউনি। মাগী পাউদুনা মশাদা খঙহনবদা লীলাদু শান্নবা য়ারোই হায়বা খঙবদগী ঐনা ইমান্নবদু তূমিন্না চৎহনখ্রে। অদুগা পাউদু অতৈ আর্টিষ্ট খরদা ঐনা তূমিন্না তম্মে। ধনবির মশাদদি খঙহন্দ্রে। মাদি কৈসু খঙদবনিনা লীলাদু অদুম থৰায় য়াওনা শান্নে। লীলাদুদা মানা লম্বোইবা শারগা "চৎলো চৎলো পূক্লিং ব্রজ বৃন্দাবন্দা" হায়বা ঈশৈ মতেক অমা শক্লগা ময়ূম থাদোক্তুনা চৎলিনি, লম্বোইরনি হায়না লম্বোইবগী ফিজেৎ শেৎলগা, ঝুলি খাও য়াল্লে, তুপী উপ্পে, মখূৎতা য়েম্পাক অমা তুপ্লগা থোরকপদু উবদা ঐ লোন্না কপখি। য়াম্না কপখি। মাবু পোকপা অপোকপদু লৈখিদবগী পাউ পীরবদু লোৎলগা থল্লবনিনা মাদি খঙজবা নত্তে। মানা তৌথোরকখিবদুগা ওইরিবদুগা য়াম্না চান্নবা অদুদনি ঐনা কপখিবদুনা। পাউদু খঙবশিংনদি নুংঙাইতবা অদুম ফাওনৈ। অদুবু মীপূম তিংনা ঐনা খঙহনখিদে। পাউদু লোৎখি। লীলাদু লোইবগা থুনা লোইশিন্দুনা ঐখোয় হল্লকখি। মতমদুদা লোন্না লোন্না পাউ হায়নবদগী অতৈ আর্টিষ্ট অয়াম্বা পাউদু খঙনরে। ঐখোয় নম্বোল্লোমদগী হাইগৎলক্লগা, তেরা ফাওরকপা, অদুদগী উরিপোক তারকপা, উরিপোক্তগী অমুক লম্ফেল তারকপা মরী মরী লাকপদুদা ধনবিরনা হংখিবা ৱাহংদুসু ঐ পুন্সিদা কাউবা ঙল্লরোই। লম্ফেল ময়া য়ৌরকপদদি মানা *"কাইদনো চৎলিসিবো?"* ঐনা *"য়ূমদা থিল্লম্মগে তৌবনি?"* হায়না খুম্মী। অদুদা মানা *"ঐগী গাড়ী ওফিসতা লৈহৌরি, কৈদৌবগী য়ূমদা থিনদুইনো, হল্লো, য়ারোই গাড়ী লৌরুখিগে, হয়েং শোয়দনা ফরক তারনি"* খরা ৱারৌনা হায়রকপদা ঐনা মঙোন্দা অশেংবা পাউদু তূমিন্না তম্মী। মহাক ৱা অমত্তা হায়খিদ্রে, কৈসু খুম্মকখিদ্রে, মমিৎতা মপি চদুম চদুম তারকখি। মখোয়গী থোঙ্গাল য়ৌরে। বস খাম্মে, অদুবু মাদি কুমথৌ হায়বা য়াদ্রে। মতমদুদা মখোয়গী শুমাংদা মৈ থান্দুনা লৈকায়গী মী ময়াম পুন্দুনা কপ্না লাওনদুনা লৈরমখি। মহাক বস মনুংদা মখোল থোক্লা হৌনা হৌনা কপ্লকখি। ঐখোয়না মাবু গাড়ীদগী পুথদুনা অরোইবা ওইনা মাবু ঙাইদুনা লৈরল্লিবা লৈখিদ্রবা ববাদুগী মফমদা লৈ কৎখি। ঐখোয়সু লৈ কৎতুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

মহাক ঐখোয় কনা অমত্তদা শাওখিদে। কোন্নথংদা লান্ন-থৌরম্নচিংবা পূম্নমক লোইরবা মতুংদা ঈংনা ৱারী শান্নবদা মানা হায়খি, *"লীলা য়াওবা হায়সিদি সি ঙাক্তনি, নুমিৎতুদা ববা লৈখিদবগী পাউদু খুদক্তা ঐঙোন্দা খঙহল্লম্লবদি ঐখোয় লীলাদু শান্নদনা হল্লকখিবা য়াই। অদুবু লীলা য়েংলিবা ময়াম অদুগী নীংবা কায়গদবা ময়াম অদু খঙবীদুনা ঐঙোন্দা পাউ হায়বীদবা অদুমক অচুম্বা থৌওংনি"* হায়না শাউবগী মহুত্তা থাগৎলমখি। মসিনি লীলাগী আর্টিষ্ট অমগী পুন্সিগী খোঙচৎ। লৌ খাওরগা নোং তাশিল্লক্তুনা পুমচোৎ চোৎপা হৌরকপদা মপা মমা শিরফাওবা ফৌরানা কুপ্তুনা থল্লগা লৌ লোকসিন্নৈ হায়বা লৌ উবগী ৱারীদুগা চপ মান্নৈ। ঐখোয়সু মীনি থম্মোয় পাল্লিবনি, ঐখোয়গী ইশাদা অৱাবা নুংঙাইবা অমদি তাইবঙপানবগী চৎন-কাঙলোন খুদিংমক ঐখোয়দসু লৈরিবনি। অদুবু ফীভম্না তাঞ্জানা য়াদবদা, য়ারিমখৈ ঐখোয়গী ইশাগী থৌদাং কয়া তঙাইফদবা ফাওবা য়াওনা লোৎতুনা থল্লগা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা হায়বসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তগী চৎনরকখিবনি। মসি মরু ওইনা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিংদনসু হেন্না থোকপ্রা খঙদে। অতৈগীদি ঐনা খঙজদবনিনা য়াম্না কূপ্না মুন্না খঙলুদ্রে। মসিনা অৱাবগা শাগোন্নবা ৱারীনি।

ঐ ইশাগী ওইবা য়াম্না নোক্লিংবা অমদি নুংঙাইবা ৱারী অমসু লৈ। ঐগী ইচা অহুমনি। চৎনবীগী মতুংইন্না মচাগী শ্বষ্টি শোনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমা ওইনা লৌনৈ। লাইনদি য়ারোই ইচা অহলগীদুমদি শ্বষ্টিদু অদুম ইশা য়াওরগা শোল্লি। ইচানুপী পোকপদু ঐ য়াওখিদে। ঐনা লীলা চৎলিঙৈদা হোস্পিটালদা পোকখিবনি। মদু হৌজিক্তি থুগাইখ্রিবা বজারদা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল অমা লৈরম্মী, মদুদা ওইনা পোকখিবনি। মদুসু শ্বষ্টি নুমিৎতু ঐ লীলা অদুম চৎলি। ইচা অতোনবা পোকপদসু লীলা অদুম চৎলি। শ্বষ্টি নুমিৎতু অরেপ্পা খঙদবনিনা হান্নবা লীলা চেবাউ পরেং ওইনা লৌশিন্দুনা লৈখিবনিনা, লীলা হায়দোকপদু ঐনা য়াখিদে। অদুনা ইপান থাবগী থৌরমদু অয়ূক্তা লোইশিল্লগা, ঐদি লীলা অদুম হান্নগুম চৎলি। মসি অতৈ লোইনমক্লদি তৌবা নত্তে। অদুবু ঐমক্তি লীলা হায়দোকখিদে, লীলা অদুম চৎলি। লুর-লুরবা ইশাগী ওইবা থবক কয়াদফাওবা লীলা লেপ্তুনা অদুম চৎলকখি। লীলা য়াওবা হায়বা অমা লীলা তৌবা হায়বা অমা অনী থোক্লা লৈ হায়নসু মমাঙ মমাঙগী ইস্যু কয়াদা ঐনা হায়জখিবা লৈখ্রে। লীলা য়াওবা হায়বসিমদি ময়ামগী মতুং ইন্দুনা য়াওবনি। লীলা তৌবা হায়বসিনা ওর্গনাইজরদুনি। ঐদি লীলা তৌবা ওইনা লাকপনিনা, ময়ামদা য়ারিমখৈ প্রোব্লেম লৈহন্দনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু য়ূমগী মীনদি য়াম্না শাওখি। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ২৩
## পূনশিন্দুনা চৎমিন্নবগী মতমনি

– ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার –

ঙসি ওইরিবা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী ফীভম অসিদা ওনরেবল সী এম বিরেনগী মায়োক্তা লেপ্পা অমদি মহাক্কী লৈঙাক থুগাইনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইরমদমগী ইন্টিগ্রিটিগী মায়োক্তা লৈরিবা কাঙলূপশিংদা মতেং পাংশিনবগুম থোক্কনি। পাল্লিবা লৈঙাকসিসু মসিদা নত্তবীদা লৈহৌরিবা মিনিষ্টরশিং, এম এল এ ৫০না প্রাইম মিনিষ্টর উন্নদুনা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা তক্লগনি হায়দুনা কেম্প তৌদুনা লৈখিবনি দেল্লীদা। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মখোয়দা উন্নবগী মতম পীবিখিদে। মসিগী মতাংদসু ঐহাক্তি হায়জখি মখোয় লোইনা পূনশিন্দুনা উন্নবীয়ু হায়দুনা। পূনশিন্দু উন্নবগী মহুত্তা তোখায় তোখায় চৎখিবনা লূম্না, লুনা লৌবীদবনা উন্নবগী মতম পীবিখিদে। মসিগী মথক্তা থা অনী ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা প্রাইম মিনষ্টর মোদিনা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোক্ত্রিবা অসিনি। মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে মদুদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা ঐখোয়দা করম্বা মীৎয়েংদা য়েংই হায়বদো। সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা কুকি মিলিটেন্টশিং অসিগী মায়কৈদা লেপ্লগুম লৈখ্রবদা মণিপুর লৈঙাক্লা করিবু তৌবা ঙমগদৌরিবা। মসি ইরৈচাশিংনা খঙফম থোকই।

ঙসি ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌশাবীদ্রবা ইরমদমগী ফীভম অসিদা ঐখোয় পূনশিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা খোল্লাউ লাওবা অমদি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিবু থুগাইনবা কাঙলূপশিংগী মায়োক্তা লেপ্পগী মহুত্তা সী এম বিরেনগী মায়োক্তা, ঐখোয়গী লৈহৌরিবা মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিং অসিগী মায়োক্তা চঙশিনবা হায়বসি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি থুগাইনবা হোৎনরিবা কাঙলূপশিংদা মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্কনি। সী এম বিরেনবু সী এমগী ফমদগী খ্বাইদগী লৌথোকপা পাল্লিবসি কুকি-চিন কাঙলূপনি। মসিগী অচৌবা মরম খরা অমুক হন্না নীংশিংজরবদা - মণিপুরগী সী এম অমত্তনা তৌবিখিদবা ৱার ওন দ্রগ চত্থদুনা পোপি প্লান্টেসন থুগাইবা, থিংজিনবা, রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মফমশিংদা ইল্লিগেল্লি খুন্দাশিনবা থিংবা, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা কুকি-চিন লালহৌবশিংগা য়ান্নখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন লৌথোকপা (তশেংবগীদি মসিগী খোঙথাংসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তনি, হায়বদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি সুসি লৌথোকপা পামদ্রি), এন আর সী থমদুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং মরমদা হলহনখিনবা তৌবা অমদি ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং খাজিন্দুনা অকনবা মওংদা ম্যান্মারলোমদগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা থিংবনচিংবশিং হোৎনবা অসিনি। মসিগী মথক্তা মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনবা অসিসু য়াওরি।

অদুবু অৱাবদি চেকশিনহৌদবা নৎত্রগা থৌশাহৌদবা খোঙথাং খরনা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ঙসিগী ফীভম অসি ওইহল্লে। মসিসু মণিপুর লৈঙাক্তা খক তাইশিনবদি ঐখোয় মণিপুরগী ৱাংমদা মীৎয়েং থম্বা ঙমদে হায়না লৌনখিনি অতোপ্পনা। মণিপুর লৈঙাক্লা শোয়খিবা লৈরবসু ঙসি ঙসি ওইরিবা পামদবা ফীভম অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মেগী তাং ৬/৭ (নুমিৎ নীনি হুমনি) তা ইরায় লায়না ঈরাংসি নমথবা, লোইশিনবা য়ারম্বনি অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কা কুকি-চিন লালহৌবা কাঙলূপকা মনুংগী ওইবা য়ানখিবা অরোনবা ৱাফম কয়া (হিদ্দন এজেন্দা) লৈরম্বনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খূৎ থাবা ঙমদবনি হায়বসি হৌজিক্তি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম অসি লৈনা লৈনা করিগীদমক ঐখোয়গী সী এমদা, মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিংদা তাইনগদৌরিবনো, তাইনফম থোক্তে খল্লি।

অসিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা কুকি-চিন লালহৌবশিংগা য়ান্নখিবা হিদ্দন এজেন্দাশিং অদুনা মরম ওইদুনা কুকি-চিন লালহৌবশিং অসিনা মীতৈ/মৈতৈ মীয়ামদা মতিক ময়াই লৈরবা খূৎশু-খূৎলায় - স্পাইপর রাইফল, এ কে ৪৭, এম ১৬, দ্রোননচিংবা খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা নুমিৎ খুদিং লান্দাদুনা থা অনী ফাজিল্লক্কদৌরবা অসি ফাওবদা মতিং থোক্লা মখোয়গী মথক্তা খূৎ থাবা ঙমদ্রি সেন্ত্রেল ফোর্সনা মরক মরক্তা তৌশিন্নদুনা খূৎ খরা থাবা নত্তনা। মরু ওইনা কুকি লালহৌবশিং অসিগী মথক্তা খূৎ থারিবদি মণিপুরগী ফোর্সনি হায়না লৌবা য়াই। করিগুম্বা হৌখিবা চহী খরদা কুকি-চিন লালহৌবশিং অসিগী মতেং লৌদুনা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিং সেলেক্ট তৌদুনা কাহনখিবা লৈরমদ্রবদি কুকি লালহৌবশিং অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন আর্মিনা খূৎ থাদুনা ইরায় লায়না নুমিৎ নীনি হুমনিদা লোইশিল্লম্বা য়াবনি ঈরাংসি। অদুবু মদু তৌবিদ্রে।

মসিগী মথক্তা ওনরেবল সী এম বিরেনদা লৈরম্বা পাৱর কয়া অমসু লৌথোকপীখ্রে সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা। ফীভমসিদা সী এম বিরেনসু মহাক্কী ঙমজবী থাক্তা হোৎনরি ঈরাং অসিবু অমদি কুকি-চিন লালহৌবশিং অসিবু নমথনবা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা। অদুবু সী এমনি হায়না থল্লিবগী ৱানি ময়াদি লোইনা থুদেকপীরে সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা। মসিদা সী এম বিরেননা কয়া য়াম্না থবক তৌবা ঙমগদৌরিবনো। মরম অসিনা ফীভম অসিবু লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়দুনা সী এম বিরেন অমদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিংদা পংতাই তাইনদুনা মখোয়গী ময়ূম মকৈ মৈ থাবনচিংবা তৌবা হায়বসি কুকি-চিন লালহৌবশিং অমদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম্বু থুগাইনবা হোৎনরিবা এম এল এ ১০ অমদি মখোয়গী মতুং ইন্দুনা চৎপা মীওইশিং অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্তা হেন্না হরাওহৌনবা শিনবা ওইনা থোক্কনি। মরমদমগীদমক অসুক কন্না হোৎনজরিবা সী এম বিরেনদা মরাল কয়া পীশিন্দুনা মহাকপু লৌথোক্লবা হোৎনরিবা কুকি-চিন লালহৌবশিংগা চৎমিন্নরিবা এম এল এ ১০ অমদি মীওইশিংনা মরাল শীবগুম ঐখোয়সু য়াওশিন্দুনা মহাকপু মরাল শীদুনা মহাক্কী মীতম (ইফিজি) নচিংবা মৈ থাবা, অতৈ মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংগী য়ূম কৈ মৈ থাবনচিংবা তৌবসি তৌহঞ্জনীংদে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনচিংবগী মীতমশিং মৈ থাবদি য়াই মখোয়না ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিনা। হৌজিক হৌজিক্কী ফীভম অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু পোলিটিকেল মাইলএজ লৌনবা হোৎনবীগনু অদুগা মীচম মীয়াম্নসু ঐখোয় মশেল তোখায় তোখায় তারকপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী মহুত্তা ঐখোয় লোইনা পূনশিন্দুনা ইরমদমগী অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরিবা কাঙলূপশিং অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি। পূনশিনবনা য়াইফরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।